অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক সেকমাইদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং এসোসিএসন (নেসা) গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা অমসুং হৌজিক্লা লূপ অসিগী এদভাইজর ওইবদা নত্তনা কোভিদ-১৯গী ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র ওইনসু থৌদাং লৌরম্বা কৈশাম সেনেলনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী থৌমীশিংনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

অসামদগী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩৫ লৈখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
ঙরাং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মালেমঙানবা চেংলৈনা অসামদগী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩৫ লৈখ্রে হায়রি।

দি সী অসিনা দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৩০ অমসুং বি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫ অসি লৈদুনা ষ্টেট অসিগী ওক্সিজেন সপ্লাইদা মশীং হেনগৎনবা হোৎনখিবনি। মসিগী মমাঙদসু দি সীগী খূথাংদা অসামদগী দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ১৫সু লৈখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) : হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভনা শোকহল্লবা থোংজু পার্ট-২ কোনোক খোংনাংখোংদা লৈবা অর্বান প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা হাংদোল্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) দা বাসিখোং জিলা পরিষদকী মেম্বর চিরোম রোমিওনা সিন্টেক্স ৪, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি ইলেক্ট্রিকী পোৎলমনচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাঙখ্রে।

মুতুম অরুনকুমার লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা মণিপুরী ত্রেদিসনেল মার্সিএল আর্টকী রিছর্স অমসুং ত্রেনিং সেন্টর ওইরিবা য়িহুল শিন্দম শঙনা মুতুম অরুনকুমারনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা তিন্দুনা ঈংনা-চিক্লা লৈহনবীনবসু তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.000479
US Dollar	73.281039
British Pound	103.296434
Australian Dollar	56.981603
Chinese Yuan Renminbi	11.384019
Japanese Yen	0.669994
Malaysian Ringgit	17.763111
Singapore Dollar	55.020765
South Korean Won	0.065056
Saudi Arabian Riyal	19.541610
Thai Baht	2.335607

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto:14-03-2021
VALID FROM : 02-03-2021
STOCK : 1224
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7am to10am

HEIROK INDANE
Valid from 01-04-2021
Booking upto 15-04-2021
Stock:- 306
Office Contact timing :- 9.30 am to 2.00 pm

MAHALAKSMI INDANE GAS,
BK. UPTO 10-3-2021,
valid from 11-2-2021,
Home delivery only,
Submit cons. details (cons no., name, add., Bk date & cont. no.) to godown. Timing: 10 am to 12 noon. Plz. cont. for office #9862312969, #8787326327
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 20/02/21
Sl. NO. 01 to 50
Valid from :16/02/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

JRongmei SK Indane Wangoi,
Bking upto 1/3/21
valid from 21/2/21.
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

‘মণিপুর মীয়ামগী থম্মোয়দা মিপাইবা পোক্তনবা সী এস ওশিং, ক্লবশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং মীকপ থোকপা মতম য়ৌরে’

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):
ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি য়েংলুরগদি লৈঙাক্লা থেংনবা ঙমদবগী ফীভম অমদা লাক্লবনিনা মীয়ামগী থম্মোয়দা মিপাইবা পোক্তনবা লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ওশিং, লোকল ক্লবশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং মীকপ থোকপা মতম য়ৌরে, লৈঙাক্ল সুনাথৈদুনা থম্বগী মতম নৎত্রে হায়না মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নোংমদা লমদম অসিদা মীওই লিশিং-লিশিংনা নারক্ত্রিঙৈ, মীশি-মীনা কা-হেন্না হেল্লক্ত্রিঙৈদা অকনবা লোকদাউন চয়োল ২/৩ দগী তাদনা থম্বা তঙাইফদ্রে। লোকদাউন মনুংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎতুনা মীচম মীয়ামবু য়ূমদগী মপান থোক্তনবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং লেম্না য়ূম-য়ূমদা ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু। মসিগা ইরোয়ননা লোকদাউন মনুংদা মেদিকেল টিমশিং খুঙ্গং-খুঙ্গংদা থাদুনা লেম্না কোভিদ টেষ্ট পাক শন্না তৌথোকপীদুনা অনাবশিংবু খন্দোকপীয়ু। মসিনা লাইচৎ অসি শন্দোকপা হন্থহনবা ঙম্বতা নৎতনা লাইচৎ অসি থেংনবদা অরাইবা অমা ওইগনি।

সিক্যুরিটি শীজিন্নদুনা ঙাক শেনবনা মীয়াম্না এস ও পি থুগায়গনু হায়বা য়ারোই। মীয়ামগী মথৌ তাবা পোৎলম ফংহন্দ্রিবমখৈ কোভিদনা শিবসু শিবা, চাবা ফংদবদগী শিবসু শিবা হায়দুনা মশানা হিংনবগী লানফমদা মপান থোক্লকপা তাবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি টামিল নাদুনচিংবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহনবগুম্না লোকল ক্লব অমদি লোকল বোদিশিংনা খুৎশম্নরগা মণিপুর লৈঙাক্ল সু অদুগুম্বা থৌরাং থৌশিলশিং অদু পায়খৎপা মথৌ তারি। লৈঙাক অমা লৈরি হায়দুনা অৱা-অনা তারবা মতমদা মীয়ামগী মতেং পাংবীদুনা মীয়ামগীদমক লেপ্পি হায়বদু উৎপীয়ু। মীয়াম লৈত্রগদি পোলিটিক্স তৌবগী কান্নবা করি লৈগনি। মীয়াম্না ৱারবা মতমদা এ টি এমদা শেল হাপ্তুবা অমদি বেঙ্কশিংদা ট্রাঞ্জেক্সন তৌদবা হায়বসি অৱাবদা অৱাবা হাপ্পনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লা পাউমীগী শিনফমদা থবক তৌরিবা খূদিংমক ফ্রন্টলাইন ৱর্কর হায়বদি কোভিদ ৱারিয়র ওইনা লাউথোকপীখিবা অসি তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি অমদি নুংঙাইবা ফাওই। অদুবু পাউমী অমগী পূন্সিদা অৱা-অনা তারকপা, মীশি-মীনা থোক্লকপা মতমদা মখোয়গী ইমুং-মনুংগীদমক করি-করি মতেং পাংগনি, অখন্নবা থৌরাং অমদি করি-করি পায়খৎকনি হায়বা চপ চাবা লৈঙাক্কী ওইবা ফিরেপ অমসু অথুবা মতমদা লাউথোকপীয়ু। মসিনা পাউমীগী শিনফমদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা অকি-অখং লৈতনা থৌনা লৈনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমগনি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লা নফসাগী কার্দ পায়বশিংদা থা ২গী চেঙ মী অমদা কেজি ৫/৫ লেম্না ফংহনগনি হায়বা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপীরো। মমাংগী মতৌগুম্না চেঙ শুনা ফংই ফংদে হায়বগী ৱাকৎ লাক্তনবা লৈঙাক্লা হকথেংননা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা পোৎ-চৈগী মমল কন্ট্রোল তৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

মোধুতিলা গেঙ রেপ কেসতা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):
চৎলিবা থা অসিগী ৯দা অসামগী সিলচরগী মোধুতিলাদা লৈবা এন আই টি কেম্পস মনুংদা নুপী অমবু মীওই অহুমনা গেঙ রেপ তৌবীখিবা থৌদোক অদুগী কেসতা চেন্নবা মীওইশিংদা মরালগী মতুংইন্না চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না পেলেস কম্পঊন্দদা লৈবা য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজতোননা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী ভিক্তিম ওইখিবী মৈতৈ নুপী অদু মহাক্লা থবক তৌরিবা নর্সিং হোমদগী ময়ূমদা হল্লকপগী লম্বীদা মফম অদুগী কেন্দ্রিয় বিদ্যায়লা স্কুল মনাক্তগী মহাক্লা নক্লনা লৈমিন্নবা কহ্নাইলাল গোৱালা কৌবা মীওই অমনা মহাক্কী মোটোর সাইকলদা থিনবীরম্লগে হায়রকখিবনি। মদুদা মহাক্সু নক্লনা লৈমিন্নবদগী য়ারদুনা মহাক্কী মোটোর সাইকল মনিংদা তোংলকখিবনি। অদুবু মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই অদুনা অতোপ্পা মীওই অনী য়াওনা মখোয় অহুম্না নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা নমদুনা মাঙহনবীখিবনি হায়রি।

ভিক্তিম ওইরবী নুপী অদু গুরহুর পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা হায়বগী মতুংইন্না সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা নুপী পুলিসশিংনা পুদুনা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌনবগীদমক চৎলুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী হৌজিক ফাওবা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌদনা লৈরি। মহাকপু মেদিকেল এগজামিনেসন তৌদবা অসিনা থৌদোক অদুগী লংলা লংজিন পূম্নমক মাঙহল্লক্লগনি হায়রদুনা অথুবা মতমদা অসাম গভর্ণমেন্টনা ভিক্তিম নুপী অসিগী মেদিকেল এগজামিনেসন তৌনবা মরী লৈনবা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা পাউতাক পীবীনবসু হায়রক্লি।

লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা কছার দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং এস পিদসু অইবা চেরোল পীখ্রে হায়রি।

শক্লাইরবা অইবা ডা. যোদ্ধ চন্দ্র সনসম খঙহৌদনা ...

লামায় ১গী মখা... মহাক্লা ক্লাস থ্রী তল্লিঙৈদা মহাক্কী অপোকপগী মমিৎ অনীমক উখিদ্রে।

মহে মশীনগী লম্‌দা মখা তানা পিত্রিগ্রু স্কুলদা তম্লকখি। ক্লাস থ্রীদগী টেন ফাওবনা সী সী হায় স্কুলদা তম্লকখি। মহৈরোয় ওইরিঙৈদা থোইদোক হেন্দোক্লা লাইরিক ফন্না হৌরকখিবনা মহাক ক্লাস সভেন্দগীনা টেন ফাওবা অনীশুবা পোজিসনগী মফম কন্দুনা লাকখি। স্কোলরসিপ ফংলকখি অমসুং মহাক্কী ট্যুসন ফী ফ্রী ওইরকখি। কুমজা ১৯৬১দা মেথমেটিক্স অমসুং মেকানিক্স সবজেক্টতা লেট্টর মার্ক ফংদুনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা ফর্ষ্ট দিভিজন্দা মেত্রিক পাস তৌরকখি। এগজামিনেসন অদুদা মহাক মণিপুরগী ওইনা ৯শুবা পোজিসন হোল্দর ওইখি। মখা তানা কুমজা ১৯৬২দা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা দি এম কোলেজদগী প্রী য়ুনিভর্সিটি সাইন্স কোর্সতা ফর্ষ্ট দিভিজন্দা পাস তৌখি। লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অদুগী ওইনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। মথংদা ১৯৬৫দা অসাম মেদিকেল কোলেজ, দিব্রুগরদগী ফর্ষ্ট এম বি বি এস পাস তৌরবা মতুং কুমজা ১৯৬৭তা কোলেজ অসিদগী ফাইনেল এম বি বি এস এগজামিনেসন্দা য়ুনিভর্সিটি অদুগী ৭শুবা পোজিসন হোল্দর ওইনা পাস তৌরকখি। অদুগা কুমজা ১৯৭৬তা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস), ন্যু দেল্লীদগী ওটোরাইনোলেরিঙ্গোলোজি (ঈ এন টি) দা এম এস পাস তৌরক্লবা মতুং সেন্ত্রেল সর্ভিসেসকী মখাদা জুনিয়র মেদিকেল ওফিসর ওইনা থবক তৌরবা মতুং রিমসতা চঙখিবনি। অদুবু কুমজা ২০০৪গী মে ১১দা রিমসকী ঈ এন টিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরম্বদগী তঙাইফদবা খরদগী ভোলন্টরি রিটায়র্দমেন্ট লৌরগা মতুং সিক্কিম মনিপাল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, গেংটোক্ত এপ্রিল ৪, ২০০৫দা অমুক হন্না থবক চঙখি।

মেদিকেল প্রোফেসন খক্তা নত্তনা সাহিত্যগী লম্‌দসু পূক্লিং চঙনা খূৎমারকখিবা শক্লাইরবা অইবা অসিগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংগী মনুংদা থাবলগী কুন্দো পরেং (ৱারীমচা, ১৯৮০), অকনবা শাফুগী ঈরৈ (নোভেল, ১৯৮১), কোইমাং মাঙবা খোঞ্জেলগী ঈহুল (শৈরেং, ২০০২), লৈচিল নোংফাই (শৈরেং, ২০০৪), ঐগী ঈদা (শৈরেং ২০০৭), ঙসিদি অশেংবা হায়দোক্লগে (ঈশৈ-শৈরেং, ২০০৯), ইন্টুদি দি এন এ (ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহলগা ইংলিসতা ইমিন্নবা শৈরেং, ২০০৯), মথৌ কনবা দি এন এ (নোভেল, ২০০৯), নোং নঙ চুগে হায়রবসু চুজরো (ৱারীমচা, ২০১০), নঙগী শমিনদুনি চান্নবী (শৈরেং, ২০১১), চান্নবী নঙগী শৈরেং (শৈরেং, ২০১১), চান্ন থোইবী (সলাম তোম্বা অমদি সৌবাম তোম্বগা পূল্লগা বেঙ্গলি ময়েক-মীতৈ ময়েক-ইংলিস-হিন্দিদা ইমিন্নবা শৈরেং, ২০১২), লৈশাৎ তম্লে নঙগীদমক (নোভেল, ২০১৩), ঈশৈ অমত্তং নঙমুক ফজবা (ঈশৈ-শৈরেং, ২০১৪) নচিংবনি।

য়ামখ্রবা শৈরেং, ৱারেং, নোভেল অমসুং ট্রান্সলেসনগী থবক্তসু মায়পুনরকখিবা শক্লাইরবা অইবা অসি মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) কী প্রসিদেন্ট ওইরম্বগী মথক্তা য়ুনিয়ন ওফ রাইটরস, মণিপুরগীসু প্রসিদেন্ট ওইরম্বগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী থা ৬/৬ খুদিংগী ফোঙবা ‘জর্নেল ওফ মণিপুর কলচর এন্দ লিটরেচর’ গী এদিটরসু ওইরমখি। লোয়ননা মহাক্লা সাহিত্যগী লম্‌দা লৌরকপা থৌদাংশিংবু শিংথারদুনা ফংখিবা মনা/ইকায় খুম্নবশিংগী মনুংদগী কুমজা ২০০৯ অমসুং ২০১৮দা মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা কাব্য ভুষন অমসুং সাহিত্য ভুষন, কুমজা ২০০১দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ অমসুং ২০১২দা মহাক্কী ‘মথৌ কনবা দি এন এ’ দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দনচিংবা ফংখি। লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিগী অরোইবা খোঙচৎ ফাওবদা সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী জেনরেল কাউন্সিলগী মেম্বর অমসুং মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বরসু ওইরমখি।

অইবা অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা খ্বাই ব্রহ্মপুর নাগামপাল চক্রিকোমদা লৈবা কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপূনবা মরুপ (কলম) গী মায়কৈদগী য়মুনা ময়েংবম, ইনি দয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (মণিপুর ষ্টেটব্রাঞ্চ) কী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, ইম্ফালগী রুপমহল টেঙ্কতা লৈবা প্রোগ্রেসিব রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি সৌবাম সোবিতানা থোরকখিবা চেরোলশিংদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়রকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

বেনিফিসরিশিংনা মখা তানা কান্নবা ফংবা ঙমদ্রে...

লামায় ১গী মখা... ৬/৭ লক ফংবা হৌরকখ্রবা অমসুং নৌনা হাপচিনবশিং অদুসু অমুক হন্না নৌনা ভেরিফিকেসন তৌনবা থবকশিং লৌখৎতুনা মরী লৈনবা দি সীশিংদা অমুক হন্না স্কিম অসিগা মরী লৈনবা চে চাংশিং নৌনা পীশিনখিবসু লৈখ্রে। অদুম ওইনমক চথখিবা রি ভেরিফিকেসনগী থবক অদু হৌজিক ফাওবা লোইদবগীরা শেনবা চহী ২০২০-২১গী এপ্রিল/মে ফাওবদা ইন্সটোলমেন্টশিং চঙলম্মী। মদুগী মখা তারকপা জুন/জুলাই অদুৱাইদগীদি মখা তাবা ইন্সটোলমেন্ট অমত্তা হাপখিদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা স্কিম অসিগী হান্নদগী কান্নবা ফংলকখ্রবা অমসুং নৌনা কান্নবা ফংলগদবা লৌমী কয়াদগী ঙসি ফাওবা মখা তানা শেল হাপ্পীরক্তনা লৈখ্রে।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ১৪দা কোভিদ-১৯গী মীপাইনীংঙাই ওইরবা, কর্ফিয়ু অমসুং লোকডাউন চথখিবগী অৱাবা মরক অসিদা স্কিম অসিগী মখাদা শেনবা চহী ২০২১-২২গী ওইনা লৌমী ৯.৫ ক্রোর হেনবগী ইমুংদা লুপা ক্রোর ১৯,০০০ দাইরেক্ট বেনিফিসরি ট্রান্সফর (দি বি টি) তৌখ্রে, মণিপুরগী ওইনসু লৌমী ২,৬৭,১০৯গী ইমুংদা চাউরাক্লা লুপা ৫৩.৪২ ক্রোরগী কান্নবা ফংলগনি হায়খ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট খরগী ওইনদি https://pmkisan.gov.in দা চঙদুনা বেনিফিসরি ষ্টেটস য়েংবদা ‘ইন্সটোলমেন্ট পেমেন্ট ষ্টোপ বাই ষ্টেট ওন রিক্বেস ওফ দিষ্ট্রিক্টস’ হায়না ইদুনা লৈরে। দিষ্ট্রিক্ট অহুম অসিদদি মমাঙ শেনবা চহী ২০২০-২০২১ চংহৌদ্রবা ইন্সটোলমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট খরদনা শেনবা চহী ২০২১-২০২২গী ইন্সটোলমেন্ট চঙবা হৌনখ্রবা অমসুং চঙলক্লবগী ঙাইদুনা লৈখ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট অহুম অসিগী লৌমীশিংগীদি ‘ইন্সটোলমেন্ট পেমেন্ট ষ্টোপ বাই ষ্টেট ওন রিক্বেস ওফ দিষ্ট্রিক্টস’ অদুমক ষ্টেটসতা লৈরিবনা শেনফমশিং অদু মখা তানা চঙলক্কদ্রা চঙলক্লোইদ্রা হায়বগী চিংনবা লৌমীশিংদা চাউনা লৈরি।

কোভিদ-১৯গী ৱানরবা মতম অসিদা মণিপুর লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা করি করি অশোয়বা লৈরিব্রা, রি ভেরিফিকেসন তৌখিবা অদুনা খুমাঙ কয়া য়াঙশিন্না চঙশিনখ্রবগে হায়বা অদু থিদোকপীদুনা তশেং তশেংনা ফংফম থোক্লবা লৌমীশিংগীদমক্তি মাগী মাগী ফংফম থোক্লবা, হান্না ফাজিন্দুনা লৈরম্লবা শেনফমশিং য়াওনা অথুবা মতমদা পীবিরবদি লৌমী মীয়ামগী খরমখৈদি অৱাবা কোকনগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোনসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, পি এম কিষান স্কিম অসি হেক্টর ১দগী তাদবা ২দগী হেন্দবা লৌফমশিংদা মহাক্কী লৌউ-শিংউ তৌজবদা চাথোক হেন্না পুথোকপদা মতেং ওইনবগীদমক লুপা ২,০০০/২,০০০ থা ৪/৪ খুদিংগী ফংহনগদবনি। স্কিম অসি কম্মন সর্ভিস সেন্টর (সী এস সী) নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন (দি সী) গী খূথাংদা নৎত্রগা ইশা ইশানা ওনলাইন্দা এপ্লাই তৌবগী অয়াবা পী। সী এস সী নৎত্রগা ইশা ইশানা ওনলাইন্দা এপ্লাই তৌবশিংগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন (দি সী) গী পোর্টেলদা এপ্রুভেল পীবা মথৌ তাই হায়রি। সী এস সী নৎত্রগা ইশা ইশানা ওনলাইন্দা এপ্লাই তৌবা মতমদা অধার নম্বর, বেঙ্ক দিটেলস, পাট্টা নম্বর/দিটেলস অমসুং মোবাইল নম্বর মথৌ তাই। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন (দি সী) গী পোর্টেলগী খূথাংদা থাজিনবা মতমদদি অধার নম্বর, বেঙ্ক দিটেলস অমসুং মোবাইল নম্বর খরা মথৌ তাবনি।

মীওই খরনা মাগী মাগী এজেন্টশিং থমদুনা এজেন্টশিং অদুগী পর্সেন্টেজ পীরগা মী খোমহল্লগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন (দি সী) গী পোর্টেলে পায়রিবা/শীজিন্নরিবা ষ্টাফ/মীওই খরগা মান্নরগা লৌমী ওইদবা, মশাগী লৌ লৈবসু নত্তবা মীওইশিংদগী লুপা ৩০০দগী লুপা ৫০০ ফাওবা লৌদুনা অরানবা মওংদা এপ্লাই তৌদুনা স্কিম অসিগী শেনফমশিং ফংহনবগী থবকসু চথখি। অমরোমদা এপ্লাই তৌবা মতমদা শেল অমত্তা লৌদনা অহানবা ইন্সটোলমেন্ট চঙলকপা মতমদা লুপা ৫০০দগী লুপা ১,০০০ ফাওবা লৌগনি হায়রগা এপ্লাই তৌবীবা, বেঙ্ক একাউন্ট লৈতবশিংগীদমক ইন্দিয়ন পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ককী একাউন্ট অমমম লুপা ২০০/২০০ (লুপা ১০০ অমদি একাউন্টতা চঙগদবা শেনফমনি) লৌরগা খুদক খুদক্তা হন্দোকপী অমসুং ক্যু আর কোদ অমা খুদক্তা শাবীবা, শেল চঙলকপা মতমদা মখোয়না শেল অদু ক্যু আর কোদ অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা শেল অদু কায়থোকপীরগা মখোয়না লৌহৌগদবা শেল অদু লৌরগা কান্নবা ফংগদবা (বেনিফিসরি) মশাদা খূৎশিন্নবগী থবকসু চথরে হায়বগী ৱাকৎ কয়াসু লাকখিবনি।

স্কিম অসিগীদমক এপ্লাই তৌবগী অরোইবা মতম লোইখ্রবসু নারোন্দা এজেন্ট থাদোক্লদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী পোর্টেল পায়রিবা মীওইশিংগা মান্নরগা নৌনা থাজিনবা অমসুং থাজিনখ্রগা এপ্রুভেল পীবিদনা লৈরিবশিংগী এপ্রুভেল পীবদা লুপা ৬০০তগী ১,০০০ ফাওবা লৌরগা অদুম্মক স্কিম অসিগী বেনিফিসরি ওইহনখি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু লৈখিবনি।

ইপাক ফিল্মগী থৌমী ২ লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):
ইপাক ফিল্মস প্রদক্সন মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ফিল্ম কয়াদা আর্টিষ্ট ওইনা শরুক য়ারম্বা অমদি প্রদক্সন হাউস অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা থৌমী অনীনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা প্রদক্সন টিমগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবা উৎচরি হায়না ইপাক ফিল্মস প্রদক্সনগী ওফিস মেনেজর অখোম অশালাতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইপাক ফিল্ম প্রদক্সনগী লৈখিদ্রবা থৌমী অনী অঙাং রবি অমদি কেশো ইরেংবা মখোয় অনীনা হিংলিঙৈ মতমদা প্রদক্সন হাউস অসিগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা থবক কয়া তৌরমখি। ঙসি অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা প্রদক্সন অসিগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম নোরেন অমদি হৌজিক-হৌজিক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা পোজিটিভ ওইবদগী ট্রিটমেন্ট চথদুনা লৈরিবা ইপাক ফিল্মসকী সেক্রেটরি এন্দ প্রদ্যুসর রাকেশ নাওরেম য়াওনা ওনলাইননগী খূথাংদা প্রদক্সন অসিগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

থা অসিগী চৈচৎ ৬কী অয়ূক অঙনবদা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মীয়াম্না অঙাং রবি হায়রগা হেন্না শকখঙলবা এলাংবম রবিচন্দ্র (২৮)না মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা প্রদক্সনগী মায়কৈদগী অৱাবসু ফোঙদোরকখি। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা ইপাক ফিল্মস প্রদক্সন মণিপুরনা পুথোকখিবা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্মশিং ‘লৈইসিগী ৱাংমদা’, ‘ঈগী খোঙ্গুল’, ‘ঙাইনা ঙাইনা’ অমদি ‘ফোঙদোক্লদ্রিঙৈ’নচিংবা ফিল্ম কয়া নম্বদা ক্রু মেম্বর অমা ওইবতা নৎতনা আর্টিষ্ট অমা ওইনসু শরুক য়াখিবা মীশক অমনি।

লোয়ননা ইপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুরগী সিনিয়র মেম্বর অমসু ওইরিবা এক্টর, লিরিসিষ্ট এন্দ ষ্টোরি রাইটর কেশো ইরেংবনা থা অসিগী চৈচৎ ১০দা ইখঙ খঙহৌদনা হার্ট এটেক তৌরগা লৈখিদবদা প্রদক্সনগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অৱাং পোৎশংবম খুনৌদা লৈবা কেশো ইরেংবনা হিংলিঙৈ মতমদা ইপাক ফিল্মস প্রদক্সন মণিপুরগী ফিল্ম কয়া মশামক্কী য়ূমদা কেম্প তৌদুনা নমখি। লৈইসিগী ৱাংমদা অমদি ঈগী খোঙ্গুলনচিংবা ফিল্মশিংদসু আর্টিষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। কুমজা ২০২০দসু ইপাক ফিল্মসকী বেন্নর মখাদা মশামক্লা ইবা ‘ওল্লে’ হায়না মিংথোনবা শোর্ট ফিল্ম অমা নমদুনা মীয়ামদা খূদোল তৌবীরম্মী। কেশো ইরেংবা লাইরিক ইবা অমদি ফিল্মবু পামজরম্বা ইপাক ফিল্মসকী সিনিয়র থৌমী অমনি।

ইপাক ফিল্ম প্রদক্সনগী থৌমী অনী অসিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনীজখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

কোভিদ টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্বান মখা লৈকায়দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপগা লোয়ননা পাক্তক্লনা লোক থুংবা, লোক লাইহৌ তৌবা য়াওরকপদগী মফম অসিগী মীয়াম মীপাইবা পোক্লরে। লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. টি ঐচ ইনাওচানা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, লোক লাইহৌ তৌরিবা মীওইশিং মনাক নকপা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা চৎতুনা টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা ঙসি ফাওবা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈরি। লাইশ্রম পাকা কৌবা মীওই অমা কোভিদ-১৯গী সিম্পটোম উৎলক্লবসু ঙসি ফাওবা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংদনা লৈরক্লি। মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

মমা-মপা সী সী সীদা লৈখ্রবা অঙাং অনীদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা মমা মপা অনীমক ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং মখা লৈকায় সাবল অশাং পরেংদা লৈখ্রবা পিক্লিবা অঙাং অনীগীদমক চান-থক্লবা অমদি অতৈ পোৎলমশিং পীখ্রে। পোৎলমশিং অদু থম্বাল চিলদ্রেন হোম ফোর গর্লস অরোং খুনৌ, ঐচ এফ এ ও, চাইল্দ ৱেলফেয়র কম্মিটি, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অমদি চাইল্দ লাইন ককচীংনা জুবেনাইল এসোসিএসন, ককচীং মখা লৈকায়গী থৌমীশিংগী খূথাংদা খূৎশিন্নরকখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ কেস ৬৭৭ থেংনরগা ...

লামায় ১গী মখা... অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং থেংনখিবা অসি থারগা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ৩৯,৭২৯ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৬,০২৭নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৭০২নি। ঙসি ফাওবগী ওইনা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ৩২,৬৭৪নি। মসিগী মনুংদা মীচম ২৯,১৫২নি। অদুগা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৫২২নি।

লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিগী পোজিটিভ কেস মশীং ৬,৪৭৭শুখ্রে। মসিগী মনুংদা মীচম ৬,৩০২ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৭৫ য়াওরি। অয়াম্বা চাংদা পোজিটিভ কেস থেংনখিবা অসিনা মরম ওইরদুনা ফগৎলকপগী চাংসু চাদা ৮২.২৪দা হন্থহনখ্রে হায়রি। অদুগা ঙসি ফাওবগী ওইনা হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩,০৯,৫৯৬নি হায়রি।

রাজ মেদিসিটিদা...

*লামায় ১গী মখা...*ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবা অমসুং ওক্সিজেন মরাং কায়দবদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিটিদা নন কোভিদ-কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিসন তৌবগী থবক সস্পেন্দ তৌরে হায়খিবদু ঙসি হোস্পিটাল অসিগী পি আর ওনা থোরকখিবা চেরোল অমদা মহৌশাগুম লায়েংশঙ অসিদা নন কোভিদ অমসুং কোভিদ পেসেন্টশিং এদমিসন তৌদুনা লৌরগনি হায়রি। হোস্পিটাল অসিনা কন্না হোৎনজবগা লোয়ননা লৈঙাক্তগীসু মতেং ফংবদগী য়ূমথংনবা ষ্টেটশিংদগী ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

হৈরাঙ্গোইথোং কৈথেলগী অকোয়বদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস):
সোসল ৱার্করস ক্লব, হৈরাঙ্গোইথোংনা মফম অসিগী কৈথেলনা কোনবা মফমশিংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইমুংগী মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

মসিগী মতাংদা এস দল্লিয়ু সীগী জোইন্ট সেক্রেটরি নিংঙোম্বম সনাজাওবনা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা লৈকায় অসিদসু নোংমা কাংদনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মশীং হেনগৎহল্লক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা লৈকায় মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু। লৈকায়দা মীতোপ চঙলক্তুনা পোৎ য়োলহনবীগনু। ইশাদা কোভিদ-১৯গী সিম্পটোম লৈরক্লবদি অথুবা মতমদা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু নৎত্রগা ক্লব অসিদা পাউ পীবিয়ু হায়রি।

ডা. কলানা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা অৱা অনা মায়োক্লরবা মীওইশিংদা বি জে পি কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং মেদিকেল সেলগী কনভিনর ডা. ক্ষেত্রি কলানা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী মনুংদা হৱাই, আলু, অচাথাও, থুম, চিনি অমদি চা মনানচিংবা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

শন্থৈ য়ুথ ক্লব, পুখাওগী এন দি ৱাই সী অমদি হৈকক্মপালগী সাইপোনা পূন্না থোরকখিবা চেরোল অমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু পুখাও টেঞ্জপুরগী ইমুং ৯গী ওইনা এন দি ৱাই ক্লবকী খূথাংদা পীখ্রে। কৈবি হৈকক্মপালগী ইমুং ২৮গীনা সাইপো ক্লবকী খূথাংদা পীখিবগা লোয়ননা শন্থৈগী ইমুং ৩৭কী এস ৱাই ক্লবকী খূথাংদা পীখিবগা লোয়ননা চীংঙা টেঞ্জপুরগী ইমুং ৪ অমসুং পাঙ্গৈ মনীং লৈকায়গী ইমুং অহুমগীসু পাঙ্গৈ য়ুথ ক্লবকী খূথাংদা পীখ্রে। খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়গী ইমুং ১০ অমসুং উয়ুমপোক মমাঙ লৈকায়গী ইমুং ২গীসু পীখ্রে হায়রি। লোয়ননা ডা. কলাগী মায়কৈদগী মীপূম খুদিংমক্লা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু। ভেক্সিন কাপথোকপগা লোয়ননা কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা মীওইশিংনা দাইএবেটিস, হায়পরটেন্সন অমদি কিদনিগী লায়না লৈরবদি মতম চানা লেপ্তুনা হীদাক চবীয়ু। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে খঙলবদি ডাক্তরশিংগা তানরবা মতুংদা অথুবা মতমদা হীদাক চাবীয়ু। শ্বর হোনবা ৱারকপা ঙাইহীবীগনু হায়রি। য়ূমদা আইসোলেসন তৌরিবা কোভিদ-১৯গী অনাবশিংনা শ্বর হোনবা ৱারক্লবদি হোস্পিটালদা পুননবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা টেলিফোন নম্বর ৯৮৬৩৬৬৮১১৩দা কন্টেক্ত তৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী স্পেসিএল কন্ট্রেক্টর অমা ওইনা থৌবাল শাবলতোংবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমবু অনৌবা ওভর হেদ টেঙ্ক অমা শাবিদুনা অথুবা মতমদা শাবলতোংবা অমসুং মসিগা লোন্নবা খুলশিংদা তোতি ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংবিরম্বা ক্যামগৈদগী শেরাম বিরমঙ্গোলনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা দেমোক্রেটিক য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি ৱাই দি ও)গী মেম্বরশিং অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১৩গী হান্নগী কাউন্সিলর সনসম ইবোতোম্বীনা লৈখিদবগী মফমদা লৈশু কৎতুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

ওক্সিজেন রিফিল তৌনবা অহাঙবা সিলিন্দর ...

লামায় ১গী মখা... মেন্যুফেকচরিং তৌরিবা মফম অদুদগী অমমমদা লুপা ৮৫০০ রোম পী। অদুবু মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট অদুদগী ইম্ফাল তম্না পুরকপগী ট্রান্সপোর্টেসন চার্জশিং হাপচিল্লবা মতুংদা মফমসি য়ৌরকপদদি সিলিন্দর অমমমদা লুপা লিশীং ১০ রোমগী চাংদা পী হায়রি। অদুগা সিলিন্দর অমমমগী অৱাম্বনা চাংচৎতা কিলোগ্রাম ৪৭.৫০দগীনা কিলোগ্রাম ৫০ ফাওবগী মনুংদা লূম্মী। মসিনসু ইম্ফাল তম্না পুরকপদা ট্রান্সপোর্টকী চার্জ হেন্না লৌই।

অদুম ওইনমক হৌজিক মহাক্কী প্লান্টনা রিফিল তৌরিবা সিলিন্দরশিং অসি মখল অনীনি। কিলোগ্রাম ৪৭.৫০দগী কিলোগ্রাম ৫০ ফাওবগী মনুংদা লূম্বা এম্পটি সিলিন্দরশিং অসিদি দি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংনি। মসিদা ওক্সিজেন লিটর ৪০দগী ৪৫ ফাওবা রিফিল তৌবা য়াই। অদুবু বি টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর অমদদি শুপ্নতগী ওক্সিজেন লিটর ১০ রোমদমক চনবনা মসিগী অৱাম্বদি হন্থে। মমলসু জি এস টি য়াওরগা শুপ্নতগী লুপা ১৫০দা য়োল্লি। অদুবু দি টাইপকী রিফিল তৌরবা সিলিন্দর অমগী মমলনা জি এস টি য়াওরগা লুপা ৫৬০দা য়োল্লগসু মসিনা ওক্সিজেন হেন্না য়াম্না চনবা মরম্না দিমান্দ লৈবা মসিনা হেল্লি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়বদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্লান্ট অসিদা হান্না কনেক্সন পীরম্বা পৱার লাইন অমগী মথক্তা অনৌবা পৱার লাইন অমসু হাপচিনবীরকপদগী হৌজিক্তি পুং ২৪ গী মনুংদা মৈ ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদ্রে। মরম অসিনা নোংমদা দি টাইপকী সিলিন্দর ২৪০ রিফিল তৌবা ঙম্লে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী প্লান্ট অসিদা হায়রিবা সিলিন্দর মখল অসিগী দিমান্দ অঙকপা ফংনা লাকপনা মরম ওইরদুনা হৌজিকসু ওক্সিজেনগী অৱাৎপশিং য়াম্না লৈরি হায়বা তাক্লে। অদুবু রিফিল তৌরিবা সিলিন্দরশিং অসি কোভিদ মেনেজমেন্ট কম্মিটিদা য়াওবা দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী ষ্টাফশিং য়াওনা ওফিসল ৫/৬ লোম্না চেকশিন্না মোনিটর তৌরি। মখোয়না হায়রকপগী মতুংইন্না প্লান্টকী মায়কৈদগীসু প্লান্নিং অমা তৌরগা অহাঙবা সিলিন্দরশিং রিফিল তৌই। মসিগী থবক্লা প্লান্ট অসিগী হান্নদগী লৈজরকপা স্পেসিএলিষ্ট ২, সেমি স্পেসিএলিষ্ট অমা অমসুং লেবর ৩/৪ অমসুং মেনেজর ৩না অহিং, নুংথিল, নুমিদাং খাক্তনা এম্পটি সিলিন্দরশিং রিফিল তৌবগী থবক চথুরি হায়খি।

করিগুম্বা তঙাইফদবদগী মৈ ঙাইহাক্তং ওইরবসু মুৎখ্রবদি পন্থুদনা অমুক লাক্লগসু ওক্সিজেন জেনরেট তৌবা অমসুং সিলিন্দরদা রিফিল তৌবদা য়ামদ্রবদা পুং ১.৩০ রোম চঙই। অদুনা য়ারিবমখৈ পৱার লাইন ফেল্লর ওইহন্দনবসু লৈঙাক্লা কন্না হোৎনবীরি হায়বগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক অঙনবা ৬.০৫তগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দি টাইপ সিলিন্দর ৫৯ রিফিল তৌবা ঙমখি। অদুবু লাইবক থিবদি সিলিন্দর অমদি মসিগী ভল্বতা লিক ওইবা য়াওরমখি মসি রিফিল তৌনবগীদমক মপান্দগী পুশিল্লকখিবা সিলিন্দরশিংগী মনুংদগীনি। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদদি পূন্না সিলিন্দর ১০৯ রিফিল তৌবা ঙমখি হায়বগা লোয়ননা নুমিদাং অমসুং অহিংদসু রিফিলগী থবক লেপ্তুনা চথুরি হায়রকখি।

ভেটিরিনরি ডাক্তরশিংনা লায়েংবীয়ু...

লামায় ১গী মখা... হীদাকশিং অদু লৈতবনরা হৌজিক ফাওবদি লায়েংবা লাক্ত্রি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ (এফ এম দি) লায়না অসিনা নারবা য়াল্লবা ষণশিং অসিগী থৱায় কনবিনবা হোৎনবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা এফ এম দি লায়না অসিনা নারবা ষণশিং লনাই ওইনা হাংলিবা ভেটিরিনরি ক্লিনিকশিংগী দোক্তরশিং অমদি ফার্মাসিশিংদা লায়েংনবা হোৎনবদা চাওরাক্লা লুপা ১০০০দগীনা ২০০০ ফাওবা চঙবা মরম্না ষণ লোইরিবা লৈত লায়রবা লৌমীশিংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অচৌবা চৈথেং ফংলিঙৈ চৈরক অসিদা পোৎলুম অমগা অমুক হাপচিনবিবা হায়বদু ওইরে। হৌজিক লৌমীশিংগী ওইরিবা ফীভম অসিদা লৌমী অমনা ষণ লায়েংনবগীদমক লুপা ১০০০ নৎত্রগা ২০০০ পুথোকপা হায়বসি য়াম্না ৱাবা পোৎশক অমা ওইরি। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি উবিরগা লৈঙাক্লা অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা কংলা সিফাই অমদি ফকনুংদা শন্দোরক্লিবা এফ এম দি লায়না অসিনা নারবা শা-ষণশিং অসি অথুবা মতমদা লায়েংবিদুনা মখোয়গী থৱায় কন্ননবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপীয়ু হায়না লৌমী কয়ানা পাউচে অসিগী খূৎথাংদা ফোঙদোরক্লি।